**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পিগী লোক সভা সদস্য অমসুং দলগী ৱাঙাংলোই- সন্বিৎ পত্রনা ঙসি ইম্ফালদা দল অসিগী এম.এল.এ খরগা উন্নখ্রে।

২) তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়রি- জিলা অসিদা ড্রগ সপ্লাই তৌবশিং থিংনবা হোৎনবদা সিভিল সোসাইতিশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহৈরোই হায়বসি রোবোট নত্তে, লাইরিক খক্তদা মায় ওনশিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা অতৈ হিরমশিংদসু মায় ওনশিনবা তঙাইফদে।

৪) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- পি.এম. জন ধন য়োজনাগী মখাদা চহি অসিগী জনুৱারি ফাওবদা বেঙ্ক এক্কাউন্ট কোতি ৫৪ হেন্না হাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) ৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেরল গেমসতা মণিপুরনা ঙসি সাইক্লিংদা লুপাগী তকমান অমা ফংখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা সনাগী ১২ য়াওনা পুন্না তকমান ৪১ ফংলি।

------

বিজেপি (এল) ঃ বি.জে.পিগী লোক সভা সদস্য অমসুং দলগী ৱাঙাংলোই- সন্বিৎ পত্রনা ঙসি ইম্ফালদা দল অসিগী এম.এল.এ খরগা উন্নখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- হৌজিক ইম্ফালদা লৈরিবা সম্বিৎ পত্রনা ঙসি অয়ুক মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা উন্নখি। তুংদা এম.এল.এশিং- য়ুমাম খেমচান্দ, থোকচোম রাধেশ্যাম, থৌনাউজম বসন্তকুমার, দিপু গাংমৈ অমসুং রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ্নচিংবা উন্নখি।

শ্রী সম্বিৎ পত্রগা উন্নরবা মতুং পাউমাশিংদা শ্রী য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ্না হায়- হৌজিক লৈরিবা রাজনীতিগী ফিরেপকী মতাংদা দলগী হাই কম্মান্দনা লেপ্লকপা ৱারেপশিং তরামা ওক্কনি। মহাকা হায়- হৌজিক খ্বাইদগী হান্না পায়খৎকদবা খোঙথাংদি লমদম অসিদা শান্তি পুরকপা হায়বসিনি।

সিপিআই (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফম থাদোকখিবা অসিগা মরী লৈননা সি.পি.আইগী সেন্ত্রেল ওফিসনা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংশিন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা চৎননবা দাবী তৌরি।

সি.পি.আই সেন্ত্রেল ওফিসকী সেক্রেটরি রোই কুতিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিদা বি.জে.পিগী লৈঙাক্তা অশোইবা কয়া লৈবদগী রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা লুচিংবা ফম থাদোকবা সি.পি.আই য়াওনা বিরোধি দলশিংনা দাবী তৌদুনা লাকপনি।

তমেংলোং (এল) ঃ নসামুক্ত ভারত অভিয়ান তমেংলোং জিলাগী ওইনা ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরম অদ্ জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ এল. অংসিম দাংস্বানা তমেংলোং মিনি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিসনার ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখি। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস তমেংলোংনা পুন্না শিনবনি। কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অসি ড্রগ লান্না শিজিন্নবা থিংনবগী মতাংদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- কেম্পেন অসি মপুং ফানা পাঙথোকবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং য়ামা তঙাইফদে। মহাকা হায়- ড্রগ

সপ্লাই তৌবশিং থিংনবা হোৎনবদা সিভিল সোসাইতিশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। জিলা অসিদা হৌজিক থেংনরিবা ড্রগকী সমস্যশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ড্রগ শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। নসামুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেন মথং থাগী ২৪ ফাওবা চত্থগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা পোপি পান্থী থাবশিংগী মফম খঙদোকপা, স্কুলশিংগী মিতর ১০০ না কোনবা মফমশিংদা নো তোবেক্কো জোন ওইহনবা, ফারমাসিশিংদা সি.সি.টি.ভি কেমেরা খিনবা, ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

ৱাক্সোপ (এল) ঃ কেন্দ্রগী এদুকেসন মন্ত্রালয়গী কম্মিসন ওফ সাইন্তিফিক এন্দ টেকিকেল টরমিনোলোজিনা নাওরেম বিরাহরি কলেজ খুন্দ্রাকপমগী দিপার্টমেন্ট ওফ মাস কম্মুনিকেসনগা মাস কম্মুনিকেসনগী তঙাইফদবা গ্লোসরিশিং শেম শাবা হায়বা হিরমদা নুমিৎ মঙানি চুপা চত্থগদবা মীফম অমা ঙসিদগী কলেজ অসিদা হৌখ্রে।

কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট মাস কম্মুনিকেসনগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডাঃ থোকচোম বিদ্যারানি দেবীনা কো-ওর্দিনেটর ওহদুনা চত্থবা মীফম অসিদা ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি একাদমিসিয়ানশিং শরুক য়ারি। মীফম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা নাওরেম বিরাহরি কলেজগী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরি উসম দিজেন সিংহ অমসুং কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ইনচার্জ ডাঃ ইরোম কুঞ্জবতি দেবী শরুক য়াখি।

এআর (এল) ঃ ওপরেসন সদভনাগী মখাদা অসাম রাইফলসনা কামজোং জিলাদা নৌনা শাবা কম্মুনিতি হোল অমা হুনদুং গোদাগী ভিজেল ওথোরিতিদা খুৎশিন্নখ্রে। কম্মুনিতি হোল অসি মফম অদুগী মীয়ামা নাৎকী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা, মীফম অমদি মীয়াম পুনফম ওইনবগীদমক্তনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহৈরোই হায়বসি রোবোট নত্তে, করিগুম্বা লাইরিক খক্তদা মায় ওনশিন্দুনা লৈরবদি অতৈ হিরমশিংদা শোখরকপা য়াই।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ৮ লক শুবা পরিক্সা পে চরচাগী থৌরমদা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা নিংথিনা মায়োকবা ঙমবগীদমক মখোয় মখোয়না পামজবা লমশিংদসু শরুক য়াগদবনি। মহাকা হায়- মহৈরোইশিংনা ইবগী হৈনবী লৈগদবদবনি। ৱারী শান্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মহৈরোইশিংদা ইমুংদগী থোক্তনা লৈবগী মহুৎতা মখোয়না পামজবা থবক থৌরমশিং করি করিনো হায়বসু খঙদোকবা হোৎনগদবনি। মহৈরোইশিং মশা মউ ফনা লৈনবগীদমক হৱাই চেংৱাই অমদি মনা মশিং চাবা য়ামমক তঙাইফদে হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- তুম্বা হায়বসি মচি ওইবা চীঞ্জাকশিংগী মখা পোল্লি। পরিক্ষাদা গ্রেদ নেমা ফংবনা ইমুং মনুংদা চরাংনবা থোকহল্লিবা অদু থোক্তনবা মহৈরোইশিংনা করমা মায়োকগদগে হায়বগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা পাউতাক কয়ামরুম পীখি। মহৈরোইশিংনা অৱাবা ৱাখল খন্দনা হিরম খুদিংমক মায়োকবা ঙমবগী মতাংদসু প্রধান মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি।

থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম প্রধান মন্ত্রিনা পীখি। কুমশি চহিগী পরিক্সা পে চরচা থৌরম অসিদা মহৈরোই ৩৬ কা প্রধান মন্ত্রিগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। থৌরম অসিদা মীওই কোতি ৫ হেনবনা শরুক য়াখিবা অসিনা থৌরম অসি জন অন্দোলন অমনি হায়বদু উৎলে।

রাইটরস (এল) ঃ পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী ১৭ শুবা মপোক কুমওন ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবকী লোক্তাক হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী লৈখিদ্রবা থৌমীশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফোরম অসিগী সেক্রেতরি রাকেশ নাওরেমনা হায়- ফোরম অসি লীংখৎলকপদগী অইবশিংগী থিজিন খোঙচৎ চত্তুনা লাক্লি।

মহাকা হায়- ত্রিপুরা অমসুং কছারদা লময়ানবা ইরাবতকী মীতম খিনখ্রে। শ্রী রাকেশনা হায়- ফোরম অসিনা মণিপুরী লোল, লোইনশিল্লোন, ময়েক অমদি নাৎ য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি, মখা তানাসু হোৎনখিগনি।

নোনে (এল)ঃ এনিমেল হজবেন্দরি অমদি এনিমেল ৱেলফ্যারগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা থাবুম অমা চথরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নোনে ভেটরিনারি হোস্পিতাল অমদি মোবাইল ভেটরিনারি য়ুনিত খুৎশমরগা শা-ষনশিং লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা শা-ষন ৮০ রোম তিকা কাপথোকপগা লোয়ননা মচিঞ্জাক অমদি অতৈ হিদাকশিংসু লেমা পীখি।

চোথে (এল) ঃ মণিপুরী চোথে ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা লৌরোক মতুংগী কুম্মৈ- ইনম পেলিন ঙসিদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী লম্লাংহুপী চোথে খুলদা হৌখ্রে। কুম্মৈ অসি খুল অসিগী চোথে থাংৱাই পাখংবমগী খুভমদা কোনয়াই পুনদুনা হৌদোকখি। থা অসিগী ১৬ নোংমাইজিং নুমিৎতা কোনচন য়াইচনদুনা কুম্মৈ অসি লোইশিনগনি হায়না খুল্লাকপা থাও যাত্রা চোথেনা ফোংদোরক্লি।

চান্দেল (এল) ঃ মণিপুরদা লৈবা মোন্সাং ফুরুপকী খৃষ্টান লাইনিং চৎপা চহি ১০০ শুবগী পালন থৌরম ঙসিদগী চান্দেল জিলাগী খোরিবুং জাফৌদা হৌদোকখ্রে। সেলেব্রেতিং গোডস ফেটফুলনেস হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি পাঙথোক্কদবা চহি ১০০ শুবা থৌরম অসি মোন্সাং নাগা বেপটিষ্ট চর্সেস এসোসিয়েসন্না শিনবনি। থৌরম অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী মখাদ লৈবা চর্চ মঙাগী য়াম্লবা মীওইশিংনা শরুক য়ারি।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- পি.এম. জন ধন য়োজনাগী মখাদা চহি অসিগী জনুৱারি ফাওবদা বেঙ্ক এক্কাউন্ট কোতি ৫৪ হেন্না হাংদোকখ্রে। লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা শেল থুম মন্ত্রিনা

হায়- অপুনবা এক্কাউন্ট হোল্ডরশিংগী মনুংদা কোতি ৩০ দি নুপীশিংনি। মসিদা চাদা ৫৫ গী চাংনি। মন্ত্রিনা হায়- বেঙ্ক এক্কাউন্ট লৈতবা মীপুম খুদিংমক এক্কাউন্ট হাংদোকবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলে।

শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- পি.এম জিবন জ্যোতি বিমা য়োজনাগী মখাদা মীওই কোতি ২২ রোম মীং চল্লক্লে। অদুগা পি.এম. শুরক্সা বিমা য়োজনাগী মখাদা মীওই কোতি ৪৯ লোম মীং চল্লক্লে।

স্কিম ঃ সরকারনা হায়রি- প্রাইম মিনিষ্টর ইন্তর্নসিপ স্কিম মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেসশিংদা পীবগী খুদোংচাবা লৈতে।

রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা মাইক্রো, স্মো এন্দ মেদিয়াম ইন্তরপ্রাসজেস মন্ত্রি জিতন রাম মানঝিনা হায়- স্কিম অসিগী পাইলোত প্রোজেক্ট ওইনা মমাং চহিগী নম্বেবরদা মীওই লাখ ১ লিশিং ২৫ দা ইন্তর্নসিপকী খুদোংচাবা পীখি। মন্ত্রিনা হায়- কোর্পোরেট এফ্যারস মন্ত্রালয়না কম্পনি ৫০০ মশক খঙদোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরস ইন্তর্নসিপ স্কিম চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরি।

ডে ঃ উনানি ডেগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নিউ দিল্লিদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা অন্তরজাতিগী মীফম অমা হৌদোক্কনি। থৌরম অদুদা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ শরুক য়াগনি। চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারি ১১ অসি উনানদি ডে হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। শকাইরবা উনানিগী ফিজিক্সিয়ান অমসুং ফ্রিদম ফাইটর হকিম অজমল খানগী মপোক নুমিৎপু উনানি নুমিৎ হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সেন্ট্রেল কাউন্সিল ফোর রিছার্স ইন উনানিদা কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রালয়গী মখাদা মীফম অসি শিনবনি।

গেমস ঃ ৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেরল গেমসতা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ১২, লুপাগী ১৩ অমসুং শেঙ্গেং ১৬ পুন্না তকমান ৪১ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ৮ শুবা মফমদা লৈরি। গেমস অসিগী ইলাইট মেন এক্স.সি.টি ইভেন্টতা ঙসি মণিপুরগী অন্দোনিসনা লুপাগী তকমান লৌবা ঙমখি। উখ্রুল

জিলাদগী শান্নরোই অসিনা গেমস অসিদা তকমান লৌবা ঙম্বদা হরাউবা ফোংদোক্লদুনা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুদা অসুমা হায়-

--সাউন্দ বাইট- স্পোর্টস

অমরোমদা, ঙসি গেমস অসিগী নুপীগী জ্‌দো ইভেন্টতা মণিপুরনা শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌখি। নুপীগী কিলোগ্রাম ৫২ গী কেটগোরিদা মণিপুরগী শান্নরোই- মতৌলৈবী চনুনা মহাক্কী লম্বা মধ্য প্রদেশকী সন্ধয়া তিৱারি অমসুং নুপীগী কিলোগ্রমা ৫৭ কেটগোরিদা মণিপুরগী অনিতা চনুনা মহাক্কী লম্বা হিমাচল প্রদেশকী রুপাসিবু মায়থিবা পীদুনা শেঞ্জেংগী তকমানশিং অসি ফংবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা ফেন্সিং মশান্নগী নুপীগী ফোইল ইন্দিভিজ্‌য়েলদা মণিপুরগী সোনিয়া দেবী অমসুং মোনা দেবী অনি ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ৪৪, লুপাগী ১৭, শেঞ্জেংগী ১৭ য়াওনা পুন্না তকমান ৭৮ ফংদুনা অহানবা, মহারাষ্ট্রনা সনাগী ৩১, লুপাগী ৪৪, শেঞ্জেং ৪৮ য়াওনা পুন্না তকমান ১২৩ ফংদুনা অনিসুবাদা অমসুং করনাতক্কানা সনাগী ৩১, লুপাগী ১৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৮ পুন্না তকমান ৬৪ ফংদুনা অহুমসুবদা লৈরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ফ্রান্স অমসুং আমেরিকাগী খোঙচৎ ঙসি পেরিসতা থুংখ্রে। খোঙচৎ অসিনা লৈবাকশিং অসিগা ভারতকগী মরক্তা ষ্ট্রেটেজিক ইকোনোমিক অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না নকশিন্নবা মরী থম বা পান্দম থল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সতা নুমিৎ নিনি লৈদুনা এ.আই. এক্সন সমিট-২০২৫ দা শরুক য়াগনি। মারসেদা নৌনা হাংদোক্কদবা ভারতকী কন্সুলেট জেনরেলসু প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগনি।

থা অসিগী ১২ দা প্রধান মন্ত্রিনা আমেরিকাদা চৎকনি অমসুং রাস্ত্রপতি- দোনাল্ড ত্রম্প য়াওনা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, ষ্ট্রেটেজিক কো-ওপরেসন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

ফুটবোল(এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ এদল্টস এসোসিয়েসন্না তিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন্না নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

১৩ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আর.এস.এফ.সিনা চীঙ্গোই এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা, এস.দি.এনা অপুনবা এফ.সিব্ পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল সি.আর.পি.এফ ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অসুফিনা ক্লাসাবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. বোইস অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি.সি.সি ময়াই কোইবীনা এস.দি.ও কৈরাও মক্তিংবু রন ১৭২ দা, কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৯ দা, য়েজদান নিংথৌখোংনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু ৱিকেট ৩ দা, ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা চেম্প কাগেমপল্লিবু রন ২৪৫ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ২ শুবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবা ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু রন ১৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা রেজ নাগামপালনা বি.এস.সি ব্রহ্মপুরপু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

ত্রাইয়েল (এল)ঃ ছত্তিসগরদা পাঙথোক্কদবা স্বামি বিবেকানন্দ অন্দর ত্বেন্তি মেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৩ দা বিষ্ণুপুরগী দি.এস.এ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী চেরোল অমনা হায়- মরী লৈনবা ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোইশিং থা অসিগী ১২ ফাওবদা মীং পীশিল্লক্কদবনি।

------